# পি এম মোদিনা চাইনিজ প্রেসিদেন্ট জি জিনপীং উন্নখ্রে



*বিশকেক, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* কিরজিষ্টানগী কোনূং বিশকেকতা শাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) সম্মিট য়াওবা লাকপদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা চাইনিজ প্রেসিদেন্ট জি জিনপীংগা উন্নখ্রে অমসুং লৈবাক অনীগী লৈনরিবা মরী হেন্না কনখৎহন্নবা খন্নখ্রে।

হৌখিবা থাদা পাংথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা বি জে পিনা পাক্তক্লনা মায়পাকখিবগী মতূংদা নরেন্দ্র মোদিবু অমুকহন্না প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খল্লকখ্রবগী তূংদা লূচীংবা অনী অসিনা উন্নবা অসি মসিনা অহানবনি।

মখোয় অনী উন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা চিনানা য়ু এসকী ট্রেদ প্রোটেক্সনিজম অমসুং য়ুনিলেটেরেলিজমনা টারিফশিং খূৎলাই অমা ওইনা শিজিন্নবগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেন্নবগী মথৌ তাবা অদু প্রসিদেন্ট জি জিনপীংনা পুখৎকনি হায়খি।

চিনা অমসুং য়ু এসনা হৌখিবা চহীদা লল্লোন–ইতিক্কী মুক্নবা অমা কন্না হেনগৎলকখি। চিনাগী টেলিকোম জাইন্ট হুৱাৱৈগী মথক্তা ৱাসিংটননা হেন্না কন্না থিঙজিল্লকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা থাশিংদা লল্লোন–ইতিক্কী লান অদু হেন্না চাওথোক্লকখি।

ইন্দিয়াবু অতৈ লৈবাকশিংদগী খরা হেন্না কান্নবা পীবা লৈবাক অমা ওইনা পীরম্বা ষ্টেটস অদু ৱাসিংটননা ককথৎখিবদগী হৌজিক য়ু এসকা লল্লোন–ইতিক্কী মুক্নবা অমা মায়োক্নরিবা ইন্দিয়াসু য়ু এস প্রসিদেন্ট ট্রম্পকী ট্রেদ পোলিসিশিংগী মায়োক্তা থেংনবদা য়াওরক্কনি হায়না চাইনিজ ওফিসিয়েলশিংনা আশা তৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু অমুক হন্না প্রাইম মিনিষ্টর খল্লকখিবগী মতূংদা অহানবা এস সি ও সম্মিটকীদমক মহাক্না ঙসি কিরজিষ্টানগী কোনূং অসিদা থুংলখিবনি।

এস সি ও হায়রিবা অসি চিনানা লূচীংবা মেম্বর লৈবাক ৮গী ইকোনোমিক অমসুং সেক্যুরিটি ব্লোক অমনি। গ্রুপীং অসিদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানসু ২০১৭দা য়াওখি।

হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়া অমসুং চিনাগী মরক্তা তৌনবা লল্লোন–ইতিক দোল্লর বিল্লিয়ন ৯৫ য়ৌখ্রে অমসুং চহী অসিদদি দোল্লর বিল্লিয়ন ১০০দগী হেল্লবা য়ারি। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা তৌনরিবা ইকোনোমিক অমসুং কম্মর্সিয়েলগী মরী অসি মরুওইবা মচাক অমা ওইরি। হৌখিবা চহী ৫দা লূচীংবা অনীনা ১০রোম হেন্না উন্নখ্রে।

অহানবদা চিনাগী কিংদাওদা হৌখিবা চহীগী জুনদা পাংথোকখিবা এস সি ও সম্মিট, অনীশুবদা জুলাইদা সাউথ আফ্রিকাগী জোহানেসবর্গতা ব্রিক্স সম্মিটতা অমসুং অহুমশুবদা অর্জেন্টিনাদা জি–২০ সম্মিটকী নাকন্দা হৌখিবা দিসেম্বরদা উন্নখ্রে।

মসিদনত্তনা এপ্রিল ২০১৮দা চিনাগী ৱুহান সিটিদা মখোয়গী ইনফোর্মেল সম্মিটতা উন্নখ্রে।

ৱুহান সম্মিট অদুগী মতূংদা লৈবাক অনীনা মিলিটরিগা–মিলিটরিগগী মরীশিং য়াওনা তোঙান–তোঙানবা হীরম কয়াদা মরী ফগৎহন্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে।

পাকিষ্টানদা লৈবা টেরর গ্রুপ জৈশ–ই–মুহম্মেদ চীফ মাশুদ অঝারবু ব্লেকলিষ্ট তৌনবা য়ু এস, য়ু কে অমসুং ফ্রান্সনা পুখৎলকখিবা ৱাফমদা চিনানা টেক্নিকেলগী ওইবা মরম পীদুনা থীংদুনা থল্লম্বা অদু য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ভেটো পৱার পায়বা লৈবাক অসিনা লৌথোকখ্রবগী তূংদা য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী শক্তি লৈরবা ১২৬৭ অল–কৈদা সেঙ্কসস কমিটিনা অঝারবু গ্লোবেল টেরোরিষ্ট অমা ওইনা দিজাইনেট তৌখি। মদু ইন্দিয়ান সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মথক্তা তমথিরবা পুলৱামা এটেক য়াওনা ইন্দিয়াদা চখরকখিবা টেরর এটেক কয়ামরুমগী মাষ্টরমাইন্দ অদুবু অথিঙবা থন্নবা চহী ১০রোম হোৎনরকখ্রবগী তূংদা ইন্দিয়াগীদমক অচৌবা দিপ্লোমেটিক্কী মায়পাকপা অমা ওইখি।

# গল্ফ ওফ ওমনদা ওইল টেঙ্কর জহাজ ২দা এটেক তৌরকখ্রে, ঈশিংদা চোংথরকখিবা ক্রু ইরাননা রেস্ক্যু তৌরে



*দুবাই, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* টেহরান অমসুং ৱাসিংটনগগী মরক্তা কন্না উংখৎনরক্লিঙৈ চৈরক্তা হন্দক চয়োল খরখক্তগী মনূংদা কনানা চখবা এটেকনো খঙদবা অঙকপা থৌদোকশিংদা অনীরক শুবা ওইনা মরুওইরবা ঈশিং লম্বী গল্ড ওফ ওমনদা ওইল টেঙ্কর ২দা এটেক তৌরকখ্রে।

হৌখিবা মে থাদা ওইল টেঙ্কর এটেক তৌরকখিবা অদু ৱাসিংটননা ইরানদা মরান থৎজিনখিবনি।

শিঙ্গাপোরনা মপূ ওইবা কোকুকা করেজিয়স কৌবা জহাজ অদুগা লোয়ননা ফ্রন্ট ওল্টয়ার কৌবা নোরৱেজিয়ানা মপূ ওইবা টেঙ্কর অদুদা পোকখায়বগী থৌদোক ৩ থোকখিবগী পাউ ফংখি হায়না নোরৱেজিয়ান মেরিটাইম ওথোরিটিনা হায়খি।

ইরানগী নেভিনা য়ান্না মৈ চাককনবা পোৎচাক পুরকখিবা জহাজ ২ অদু মৈ চাক্লকখিবদগী ঈশিংদা চোংথরকখিবা ক্রু মেম্বর ৪৪ অদু রেস্ক্যু তৌখ্রে হায়না ইরাননা হায়খি।

ওইল টেঙ্করশিং অদুনা মফম অদুগী ঈশিংদা লৈরিঙৈদা টেঙ্কর অমদগী অথাবা অমুবা মৈখু কাখৎলকখিবা অমসুং মৈ চাক্লকখিবা অদু টিভি ইমেজশিংনা উৎখি।

টেহরানদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেগা ৱারী শান্নরিঙৈদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মুহম্মদ জবাদ জারিফনা এটেকশিং অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ওইল টেঙ্কর অনীদা গল্ফ ওফ ওমনদা এটেক তৌরকখিবা অমসুং মৈ চাকখিবা, মালেমগী থাওগী মমলশিং ৱাংখৎহনখিবা, থৌদোক অদুগী মতূংদা ইরানগী সমুদ্র তোর্বান মনাক্তগী ওইল টেঙ্করশিং অমসুং ক্রু মেম্বরশিং অদু ঙসি রেস্ক্যু তৌদুনা পুথোক্লকখ্রে।

খা থংবা ইরানগী বন্দর–ই–জাস্কতগী নোটিকেল মাইল ২৫ লাপ্পদা ঙসি অয়ুক পূং ৮.৫০ চৎপদা ফ্রন্ট ওলটয়ারদা অহানবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না ইরানিয়ান ষ্টেট মেদিয়ানা হায়খি।

জহাজ অনীমক অদুদগী এটেক তৌবগী দিষ্ট্রেস কোলশিং য়ু এস ফিফ্থ ফ্লীটকী লানগী জহাজশিংনা ফংখি হায়না ফ্লীট অসিনা হায়খি।

মার্শেল আইলেন্দ–ফ্লেগ টেঙ্কর, ১১১০০০ টোন ভেসেল অদু কটারদগী ইথানোল টাইৱান তন্না পুরকখিবনি হায়না ওফিসিয়েল ন্যুজ এজেন্সি আই আর এন এনা হায়খি।

জহাজ অদু মৈ চাক্লকখিবদগী ক্রু মেম্বর ২৩না ঈশিংদা চোংথখি অমসুং মতম অদুদা মফম অদু ফাওদুনা লাকপা জহাজ অমনা কনখি অমসুং ইরানিয়ন রেস্ক্যু য়ুনিটতা খূৎশিন্নরকখ্রে হায়না পাউগী এজেন্সি অদুনা হায়খি।

অহানবা থৌদোক অদুগী পূং অমগী মতূংদা খা থংবা ইরানগী বন্দর–ই–জাস্কতগী নোটিকেল মাইল ২৮ লাপ্পদা অয়ুক পূং ৯.৫০দা অনীশুবা জহাজ অদু মৈ চাকখি। জহাজ অদু সমুদ্র ঈশিংদা লূপখিদ্রে হায়বসি ঐনা খঙবা ঙমলে হায়না জহাজ অদুগী মপু ফ্রন্টলাইনগী চীফ একজিক্যুটিব রোবার্ট হবাইদ মেক্লিওনা পাউগী এজেন্সি এ এফ পিদা ইরকপা টেক্স মেসেজ অমদা ফোঙদোক্লকখি।

পানামা –ফ্লেগ কোকুকা করেজিয়সনা ইথানোল কারগো অমা পুদুনা সাউদি আরাবিয়াদগী শিঙ্গাপোর তন্না লাকখিবনি। জহাজ অদুগী ক্রু মেম্বর ২১ শমুদ্রগী ঈশিংদা চোংথখি অমসুং মখোয় অদু রেস্ক্যু তৌরে হায়না আই আর এন এনা হায়খি।

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 07/05/19
Sl. No. : 9227
Valid : 04/05/19
Sl. No. : 8423
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 13/06/19
Valid : 09/06/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**K & K Indane**
Booking : Up to Date
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**M M Gas**
Booking : 06/06/19
Valid : 30/05/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.30 a.m.

**Hiyangthang Indane**
Booking : 07/05/19
Sl. No. : 530
Valid : 30/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane Wangjing & Khongjom**
Booking : 22/05/19
Valid : 08/05/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking : 12/06/19
Valid : 15/05/19
Stk : 612, 19kg Available
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : Up to date
Valid : Nill
Stk : 306
Time : 08.30 to 10.30 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 18/05/19
Valid : 09/05/19
Stk : 612, 19kg & 5kg Avail
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 07/06/19
Sl. No. : 25900
Valid : 31/05/19
Stk : 306
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 24/05/19
Valid : 21/05/19
Stk : 234

**Porompat Indane**
Booking : 14/05/19
Valid : 20/04/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Patsoi Indane**
Booking : 08/05/19
Valid : 30/04/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Haran Velley, Kwakta**
Booking : 03/05/19
Valid : 28/04/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.30

**R B D Indane**
Booking : 10/05/19
Valid : 30/04/19
Stk : 612
Time : 06.30 to 10.30 a.m.

**Khoriphaba Indane**
Booking : 28/05/19
Valid : 27/05/19
SL. No. : 35020 to 35470
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Khongjom**
Booking : 03/06/19
Valid : 01/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking : 13/04/19
Valid : 30/03/19
Sl. No. : 56910
Stk : 570
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

# অরুনাচল প্রদেশতা ক্রাস তৌখিবা এ এন–৩২দগী হিংহৌবশিং থিনবা ক্রাস মফমদা চীংকারোই ১৫ থুংখ্রে



*ন্যু দিল্লি /গুৱাহাতি, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* অরুনাচল প্রদেশতা জুন ৩দা চীংদোন অমদা এ এন–৩২ এয়ারক্রাফনা ক্রাস তৌখিবা মনূং হঞ্জিননা লৈবা অশুকপা উমংগী লমদম অদুদা মথৌ তাবা পূন্নমক শুনা য়াওরবা চীংকারোই ১৫না হৌজিক থিব–হুন্বগী থবক চখুরি।

ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা এয়ারক্রাফ অদুনা কাইদুনা তারিবা মফম অদুগী মনাক্তা মীওই ১৫ অদু হেলিকোপ্টরদগী থাদরকখিবনি। চীংকারোইশিং অদুগী মাঙদা তারিবা মরুওইবা থবক্তি এ এন–৩২ ত্বইন ইঞ্জিন টরবোপ্রোপ এয়ারক্রাফ অদুদা তোঙখিবা ওফিসার ৬ অমসুং পার্সোন্নেল ৭ অদুগী মনূংদা হিংহৌবশিং লৈরিব্রা হায়বদু থিবনি।

মখোয়না ফংবা ঙম্বা হকচাংশিং নৎত্রগা অতৈ মীওইবগা লোয়নবা পোৎলমশিং খোমজিনগনি অমসুং প্লেন অদুগী কোকপীট ভোইস রেকোর্দর (সি ভি আর) অমসুং ফ্লাইট দাটা রেকোর্দর (এফ দি আর)সু থিগনি হায়না ওফিসার অমনা হায়খি।

ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্সতগী ৯, আর্মিদগী ৪ অমসুং মীচম ২ পূন্না চীংকারোই ১৫ অদু ফুট ১২,০০০গী অৱাংবদা লৈরিবা ক্রাস মফম অদুদগী চাওরক্লা কিলোমিটর ২ রোমগী মনাক্তা নোংথক্তগী থাদখিনবা আই এ এফনা এম আই–১৭ অমসুং ধ্রুব এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টরশিং শিজিন্নখি।

চীংকারোইশিং অদুনা মফম অদুদা নুমিদাংসু লৈগনি। মখোয়না কেম্প অমা শেমখ্রে হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি।

করিগুম্বা ভি সি আর অমসুং এফ দি আর অদু ফিভম ফনা ফংবা ঙম্লবদি মদুনা প্লেন অদু টেক্নিকেলগী অশোয়বা অমা লৈখিব্রা নৎত্রগা ঈশিং–নুংশি অমসুং লম্মিৎ–তুম্মিৎকী শাথিরবা মফম অদুদা করি অরানবা লৈখিবগে হায়বদু ফংনবা কোর্ট ওফ ইঙ্কারিদা মতেঙ ওইগনি।

জুন ৯, ২০০৯দা চপ মান্নবা জোরহাৎ –মেচুকা–মোহনবালি সেক্টরদা অতোপ্পা এ এন –৩২ অমা ক্রাস তৌখিবা অদুগী কোর্ট ওফ ইঙ্কারিদা ক্রাস অদু হ্যুমেন ইরর (এয়ারক্রু)ননি হায়বা খঙখি।

মদুদা পার্সোনেন্ট ১৩সু তোংখিবা এয়ারক্রাফ অদুনা টেক্নিকেলগী ওইনা কন্ট্রোল ফ্লাইট ইন্টু টেরেন (সি–এফ টি আই) হায়না খঙনবা থৌদোক অমদা লৈচিন খরগী মনূংদা পাইশিনখ্রবগী তূং পাইলোটশিং অদুনা চীংদোন অমদা থেংজিনখিবনি।

১৯৮৪দগী ১৯৯১গী মরক্তা মতমদুগী সোভিয়েট য়ুনিয়নদগী লৌখিবা অমসুং আই এ এফ ফ্লীটতা হাপচিনখিবা এ এন–৩২ প্লেন ৯৯গী মনূংদা ৫৪ চহী ২৫দগী চহী ৪০ ফাওবগী টেক্নিকেল লাইফ শাংদোক্নবা অপগ্রেদ তৌখ্রবনি।

# এসিয়া সেক্যুরিটি প্রোজেক্টতা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০ থাদদুনা য়ু এসনা চিনাগা থেংননবা হোৎনরি



*ৱাসিংটন, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* মরুওইবা খা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা হেনগৎলক্লিবা চিনাগী শাফু মায়োক্নদুনা থিংনবগী মীৎয়েঙদা য়ু এসকী ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা শ্রী লঙ্কা, বংলাদেশ অমসুং মালদিবসতা ফোরেন মিলিটরি ফাইনান্সিং পীনবা বে ওফ বেঙ্গল সেক্যুরিটি ইনিসিয়েটিবনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসিদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০ থাদনবা হোৎনরি।

হায়রিবা শেনফম অসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবা অমসুং চখোক–চৎশিন ফগৎহন্নবগী থবক শৌগৎনবা রিজনেল এক্টিভিটিশিংগীদমক ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা হান্নানা লাওথোকখ্রবা দোল্লর মিল্লিয়ন ৬৪ অদুগী মথক্তনি।

খা এসিয়াদা বে ওফ বেঙ্গল ইনিসিয়েটিবতা দিপার্টমেন্ট অসিগী অনৌবা সেক্যুরিটি কোওপরেসন প্রোগ্রাম শৌগৎনবা ঐখোয়না কোংগ্রেসতা হায়জরি। ফোরেন মিলিটরি ফাইনান্সিংদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৩০ অসিনা শ্রী লঙ্কা, বংলাদেস অমুসং মালদিবসতা মেরিটাইম অমসুং বোর্দর সেক্যুরিটি কেপাসিটি শাগৎকন্দবনি হায়না হান্না মাঙজৌননা থৌরাং তৌরবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ঙরাং সাউথ এন্দ সেন্ট্রেল এসিয়ান এফিয়ারসকী সেনিয়ার ষ্টেট দিপার্টমেন্ট ওফিসিয়েল এলাইস জি ৱেলসনা এসিয়া, পেসিফিক এন্দ নন–প্রোলিফরেসনগী হাউস ফোরেন এফিয়ারস সব–কমিটিদা হায়খি।

হাউস ফোরেন এফিয়ারস কমিটিগী সব–কমিটি অসিনা ঙসি শগোলশেল নুমিৎতা সাউথ এসিয়াদা লৈরিবা য়ু এস ইন্টরেষ্টশিং অমসুং শেনবা চহী ২০২০ বজেটকী মতাংদা হিয়ারিং তৌগদৌরিবনি।

# ছতিসগড়গী খূঙ্গং অসি ইন্দিয়া নীংতম্বা মতূংদগী পৱার উখিদ্রি

*বলরামপুর, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* ঐখোয়বু হৌজিক ফাওবা অমম্বা মরক্তা লৈহল্লি হায়না ছতিসগড়গী অরাপ্পা অমসুং মনূং হঞ্জিনবা মফম ত্রিশুলিগী খূঞ্জাশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী নীংতম্বা ফংখ্রবা মতূংদগী খূঙ্গং অসিগী য়ুম ১০০ রোমদা হৌজিক ফাওবা ইলেক্ট্রিসিটি থুংলদ্রি। ইলেক্ট্রিসিটি পীবীনবা খূঞ্জাশিংনা ওথোরিটিজদা ৱাকৎখ্রে অমসুং চীঠি কয়া ইখ্রে অদুবু করিগুম্বা অমত্তা পাংথোক্লকখিদ্রে।

ঐনা হেক পোকপদগী খূন অসিদা ঐনা ইলেক্ট্রিসিটি হায়বদু মশক উখিদ্রি। পোলিটিসিয়ানশিং মফম অসিদা মীখলশিং মতমদা লাকখ্রে। মখোয়না মফম অসিগী চাওখৎ–থৌরাংগী থবক করিগুম্বা অমত্তা তৌনিংবগী ৱাখল পোকতে হায়না মশাগী চহী ৭০ শুরবা খূঞ্জা অহল অমনা হায়খি।



*ছতিসগড়গী ত্রিসুলি খূন্দা অঙাংশিংনা উপাই অমত্তা লৈতবনা লেন্তর্ন থান্দুনা লাইরিক ঔরাইরি*

ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবনা নুমিদাংদা ঐখোয়। স্কোরপিয়োনশিং নৎত্রগা অতৈ মহূ চেনবশিংনা চীক্তুনা শিগদ্রা হায়বগী অকীবা পোকই হায়না সুকাবী কৌবা অতোপ্পা খূঞ্জা অমনা হায়খি।

খূন অসিগী অঙাংশিংনা নুমিদাংদা লাইরিক ঔরাইনবগীদমক লেন্তর্ন শিজিন্নবা নত্তনা অতৈ অতোপ্পা উপাই অমত্তা লৈতে। মসিদসু লমদম অসিদা কেরোসিন মতিকচানা ফংদবনা অৱাবা কয়া ময়োক্নে। কেরোসিন ফংদবদগী নুমিদাংদা মৈঙান ফংনবা উ মৈ থাদুনা শিজিন্নে হায়না ত্রিশুরিলা লৈবা রামেসোর পাল কৌবা অমনা হায়খি।

ইলেক্ট্রিসিটি খক্ত নৎতে খূঞ্জাশিংনা থক্নবা ঈশিংসু ফংদে। লমদম অসিদা ঈশিংগী অৱাৎপা শাথিনা লৈবনা শা–ষণশিংনা শিজিন্নবা পুখ্রিদগী ঈশিং শোক্তুনা খূঞ্জাশিংনা শিজিন্নরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# উগন্দাদা এবোলা লানশিল্লকপদগী ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ইমর্জেন্সি মীফম ফমগদৌরি

*জিনেভা, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোদা (দি আর সি) শন্দোক্লকখিবা এবোলা লায়না অদু য়ুমথঙনবা উগন্দাদসু শন্দোক্লকখিবদগী ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দবলিয়ু ঐস ও)না মরুওইরিবা ইমর্জেন্সি কমিটি মীফম অমা ফম্লগনি।

লায়না অদুগী মায়োক্তা মোবিলাইজেসন তৌবদা অচৌবা অহোঙবা অমা ওইনা লায়না শন্দোরকপা অদু লালেমগী ওইবা হকশেনগী ইমর্জেন্সি অমা ওইনা লাওথোক্কদ্রা হায়বদু লেপ্পনবা কমিটিগী মীফম অদু হয়েঙ ফমগনি হায়না ঐস দবলিয়ু ওনা হায়খি

ঐবোলা লায়না শন্দোক্নে হায়না লাওথোকখিবা অদুদা নোংপোক থংবা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গো (দি আর সি)দা এবোলা লায়না নাবা ২,০০০ হেন্না রেকোর্দ তৌখি। মদুগী ৩ থোকপগী শরুক ২দি মী শিনিংঙাই ওইখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উগন্দাদা লায়না অসিনা নাবা মীওই ৩ লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবদা ফংখি। উগন্দাদা এবোলা পোজিটিব ওইবা চহী ৫গী অঙাং নুপামচা অমা শিখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হেল্থ মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

মীফম অদু লাইচৎ শন্দোক্লকখিবা অদু মদুদা শোক্লিবা ষ্টেট অদুগী ঙমখৈগী ৱাংমদা শোকপ্রা অমসুং খুদক্কী ইন্টর্নেসনেল মথৌ তাব্রা হায়বদু লেপ্পনবনি।

সনা–সুদোকু – ১৫০ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 4 | 7 | 6 | 8 | 1 | 2 | 9 | 3 |
| 8 | 3 | 2 | 7 | 9 | 4 | 1 | 6 | 5 |
| 6 | 9 | 1 | 3 | 2 | 5 | 8 | 7 | 4 |
| 4 | 2 | 3 | 1 | 5 | 9 | 6 | 8 | 7 |
| 9 | 6 | 8 | 2 | 4 | 7 | 5 | 3 | 1 |
| 7 | 1 | 5 | 8 | 3 | 6 | 4 | 2 | 9 |
| 2 | 5 | 9 | 4 | 6 | 3 | 7 | 1 | 8 |
| 1 | 8 | 4 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 6 |
| 3 | 7 | 6 | 5 | 1 | 8 | 9 | 4 | 2 |

# উত্তর প্রদেশকী লো এন্দ ওর্দরগা জঙ্গল রুলগা খেন্নবা লৈতে ঃ কোংগ্রেস



*ন্যু দিল্লি, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিবা উত্তর প্রদেশতা লৈরিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমগা জঙ্গল রুলগগী মরক্তা খেন্নবা থোইনা লৈতে হায়রদুনা ষ্টেট বার কাউন্সিল প্রসিদেন্ট হাৎখিবগী মতাংদা ঙসি কোংগ্রেস পার্টিনা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টতা থিনা চৈখ্রে।

ঙসিদগী নুমিৎ হুন্নিগী মমাঙদা ষ্টেট বার কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবী ষ্টেট অসিগী ওইনা বার কাউন্সিলগী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট দরবেশ সিংহবু ঙরাং য়ুমশকৈশ নুমিৎতা অগ্রাদা কোর্ট প্রিমাইজেস মনূংদা উকিল অমনা নোংমৈনা অহুন্নক হন্না কাপ্তুনা হাৎখিবনি। মীহাৎপা উকিল অদুসু মশা মতোমতা কাপশিনদুনা শিজনবা হোৎনখি।

উত্তর প্রদেশতা অজয় সিংহ বিস্ত (চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যানাথ) গভর্ণমেন্টকী নাতোন শুমাং মক্তদা ষ্টেট বার কাউন্সিলগী অহানবা নুপী প্রসিদেন্ট অদুবু কাপ্তুনা হাৎখিবগী নোংঙানবদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিবা উত্তর প্রদেশতা লো এন্দ ওর্দরগী সিষ্টেমগা জঙ্গল রুলগগী মরক্তা খেন্নবা থোইনা লৈতে হায়না কোংগ্রেসকী ৱাঙাংলোই রন্দীপ সুরজেৱালানা ট্বিট তৌখি।

# য়ু পিদা উফুলগী নুংশিৎ অমসুং নোংচুবদা মীওই ১৭ শিখ্রে

*লখনৌ, জুন ১৩(এজেন্সি)ঃ* উত্তর প্রদেশকী তোঙান–তোঙানবা মফমদা হৌখিবা পূং ২৪দা উফুল–ৱাইফুলগী নোংলৈ–নুংশিৎ, নোং খাকপা অমসুং অকনবা নোংচুবগী থৌদোকশিংদা মীওই ১৭ শিখ্রে।

পাউশিংগী মতূং ইন্না সিদার্থনগর মীওই ৪, দিওরিয়াদা ৩, বাষ্টিদা ৩, বাল্লিয়াদা ২, অজামগর, কুসিনগর, মহারাজগন, লখিমপুর অমসুং পিলিভিৎতা মীওই অমমম শিখি।

সিদার্থনগরদা টিননা কুপ্পা য়ুম তেকথরকপদা লেবরর অমা শিখি, নুপী অনী শোকখি। বাষ্টি দিষ্ট্রিক্তা নোং খাকপদা ব্রিজভন কৌবা অমা শিখি। নোং কন্না চুরিঙৈদা মহাক লৌবুক্তা থবক শুদুনা লৈখিবনি।

দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেব্রুৱা খূন্দা তেকথরকপা উ অমনা ননবদা চহী ৩গী অঙাং অমা শিখি। গোলু কৌবা শাগৈগী ময়াম্বা অমগা লোয়ননা দুকান্দগী হিদাক লৈরুরগা মহাক হল্লকখিবনি, মদুদা গোলুসু অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎখি।

চহী ৬৫ শুরবী উধনা কৌবী নুপী অমা উ পান্বী অমনা ননবদা শিখি। থৌদোক অসি সিদার্থনগরগী দুমারিয়াগঞ্জদা থোকখিবনি। দিওরিয়াদা ইলেক্ট্রিক পোল অমনা নন্দুনা চহী ২২ শুরবা সুভাং কৌবা অমা শিখি। ফক্লাংনা ননবদা মী অমা অমসুং নোং মমিৎ খাকপদা নুপী অমা শিখি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-151**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | | | 9 | 4 | | | | 1 |
| 6 | | | | | 1 | 4 | | 9 |
| 1 | | | 6 | | | 2 | 8 | |
| | 8 | | 4 | | | 3 | | 6 |
| | 6 | 9 | | | 8 | 1 | | |
| | 4 | 5 | | 6 | | | 9 | |
| 4 | | 8 | | 1 | | 9 | | |
| | 2 | | 3 | | 4 | | | 8 |
| 9 | | 6 | | | | | 4 | |